# মৈতৈ ঐখোয়গী লাইনীংগী লৈজরম্বশিং নমথখি হায়বসি নীংশিংসি : পন্থৌ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): মৈতৈ ঐখোয়গী লাইনীংদা থেংবা থিবীগনু, কুইরে হায়না খনবীদুনা লাইথোকপা নৎত্রগা লৈরমদে হায়না খনবসু লানগনি। লাইনীংদা লৈরম্বশিং নমথখি হায়বসি নীংশিংসি হায়না নোংপোকচীংঙু থোং মৈতৈ লাইকোল থলো সিপি লোক সেলোই লংমাই চীং, ইম্ফাল নোংপোক্তা লৈরিবা লাই ওইবা পন্থৌনা ফোঙদোকখ্রে।

অরিবা খুন্থোক লোলনা নৌনা অমুক খুন্থোরকপা হায়বসি লৈরম্বা পোৎশক্তুবু নীংশিংবনি। লৈরমদবা পোৎতদি কৈদৌঙৈদা নীংশিংলোই, লৈরম্বগী নীংশিংলক্লিবনি। নীংশিংবগী মতিক ময়াই মৈতৈ ফুরুপ্তা লোইনা য়াওরিবনি হায়না মখা তারদুনা পন্থৌনা হায়, মৈতৈ ঐখোয়গী ঈদা, লুদা-তোংদা চেল্লিবশিংগী মনুংদা মৈতৈগী লাইসু অথোইবনি। মীনা শা ওল্লকপা, ৰাখল খন্থবা ঙল্লক্লোই হায়বসি লাইনা খঙই। মদু ওল্লক্তনবা হায়দুনা ফিবান খাজিল্লম্মী, য়েক তিন্নবদা লৌনবা য়ারমদে হায়দুনা থল্লম্মী। খঙদে-হৈতে হায়রগা ইশা কোমথোক্লগা হিংনীংবদগী পুন্সিদা মাঙজবা ওই। খঙদ্রবা মতমদা তাকপীবা ঙম্বা অমদি লৈগনি, লৈফমসু থোকই। মশেল তান্নদুনা অমসুং পুনশিন্নদুনা ইশা ইশাগী ফিদাদি ঙাক শেল্লগা লৈসি। ইশা ইশাগী শক্তমদি কৈদৌঙৈদা মুৎপা য়ারোই।

অপূনবা শাগৎপদা য়াদবা লৈতে। অশেংবা খুভম কনবদা য়াদবা লৈতে। লাইনীং হায়বসিনা মীতৈ ফুরুপকীদি থৱায়নি। মৈহৌরোলগী লৈহৌ লৈরোল খুভমনি। লাইনীং হায়বসিনা ঐখোয়গী লৈবাকনি। লাইনীং হায়বসি মীওইবগী হিংবদা লাইরিক ওইরিবনি। ইনাৎতা ওইরগসু মকোকনি। মীওইবনা কদাইদগী হৌরকপনো তাক্লিবা মকোকনি। মালেম লৈরম্বগী লাই লৈরম্বনি। লেংলি পাল্লিবা উপাল-ৰাপাল, হৈপাল-লৈপাল, চীং-পাৎ-তুরেল, শা-উচেক, তীল-কাং পূম্নমক লৈরম্বগী হৌরকফমদি লাইদগীনি। ইশাগী হিংনবা হোৎনবদা নীংশিংবগী পান্থৈ তাল্লিবা অদুগুম্না মৈতৈ ফুরুপকী লৈরম্বা লাইফমশিং করিগী তাল্লিবনো হায়বদু ইশা ইশাদগী হৌদোকচবদা য়াদবা লৈতে। নাথৈদুনা চৎপগী মতম ওইদ্রবনি। মৈতৈ লৈবাক্তা মৈতৈগী লৈরম্বা লাইফমলেনশিংবু থিজিনবা হৌখিবা ৰারীবু নীংশিংবগী মথক্তা থবক্তা ওন্থোকপগী মতম ওইরে। লাইফমগী অশেংবা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোক্তুনা লাই ইকৌখৎপা, লাই হিরি চিংখৎতুনা লাইগী থৱায় মশক ফোংবদা লাল্লোই।

মালেম তাইবঙপানসিদা হিংলিবা থৱায় পানবা পূম্নমক শেম্বীবা মপুনা পুথোক্লম্মী। মৈতৈ ফুরুপকী লাইসু তাইবঙপানবা মপুনি। মপুগী মতিক ময়াই ফোঙদোকপনা মালেম ইমানা ফোঙদোকপনি। মালেম ইমাগী ফম্বাকসিদা হৌরিবা উপাল ৰাপাল, লেংলি পাল্লিবা শা-উচেক, ঈশিং-নুংশিৎ অমসুং নমু তাইবঙ মীনি। থৱায় ময়ামসিদগী অথোইবসু নমু তাইবঙনি। অতৈ শাদি মমা মচা, মচিল মনাও মশক খঙদে। মখোয়গী মমিংদি শাবুক ঙাবুক কৌই। নমু তাইবঙ মীসিনা মপুগী মতিক ময়াই শন্দোক্তুনা খুঞ্জাও লৈচাওই। লাইনীং ইনাৎ পুথোরকই। শাগৈ সলাই পুথোরকই। ঈ মরীগী খোঙ্গুল লীদুনা ইপা ইপুগী খোঙ্গুল পুথোকই। থকসি-খাসি, থৌগাই, চাওখৎলোন, লাইসু লাইরিক কয়া অমা পুথোরকই। ঈ মশেলগী লৌনবা য়াদবা, মীনা মীবু ইকায়খুম্নবা, মী ময়ামসিগী মরক্তা মৈতৈ হায়বা ফুরুপসিদি ঈ মরীবু য়াম্না ইকায়খুম্নবা ফুরুপনি। ঈ মশেল লৌনবা য়াদবা, সলাই ফুরুপ লৌনবা য়াদবা, ইচে ইচল, ইপা ইচা, ইবুং ইপ্বানচিংবশিংবু য়াম্না ইকায়খুম্নবা ঈগী লিক্লম খঙনা, মীবু মীনা ইকায়খুম্নবা চৎপসি মৈতৈ ফুরুপনি। মৈতৈ ফুরুপনা সলাই মান্নবা লৌনবা তারগদি চারোল অহুমদা য়ূম্ফম মুৎপা ওই। খুদম ওইনা হায়রবদা নিংঙোল ঙাক্তা পোল্লগদি নিংঙোলদুনা ময়ূম পানখিবদা নুপাদুগী ওইখ্রগনি।

হৈরাং লোম্না চাগনু, লৈরাং লোম্না চিংগনু হায়বা অহল লমননা হায়রম্বা, পাখঙ লৈশাবীনা লুহোংদ্রিঙৈদা চৎফদে। পূম্নমক অসি চৈঙাকলোম্না খাজিল্লগা য়াম্না চেকশিন্না চৎপা মৈতৈ ফুরুপনি। নিংঙোল মচা লৌনহৈদে শোইনাইবা ওইগল্লি। মীতোপকী গোত্র হায়রগসু মৈতৈগী য়েক সলাইগা পুন্দ। পান্থোইবীনা কোল্লি হায়রগা গগ্রা শেৎপা, জাপা থেৎপা অসি করিনো, পান্থোইবী জাপা থেৎপ্রা, গগ্রা শেৎপ্রা। ফনেক কজেংলৈ শেৎপা, হাপ্পা য়াদ্রা। খম্বগী মকোক্তা হাপ্লিবা নীঙম শমজি, ৰাহোং মতু হাপ্লিবসি মৈতৈগী ৰাহোং লৈরম্ব্রা। মসিনা চুম্লগদি ৰাহোং মতু থেৎপগী থবকসি চুমদ্রগদি থেৎকুমসি। মৈতৈ লৈবাক্তা ৰাহোং লৈখিদে। মৈতৈনা অরানবা ওইরোই, মৈতৈ লৈবাক্তা সলাই তরেৎকী য়ুম্নাকশিংগা শাগোন্নরিবা পলেম পন্থৌ শকপা মীতৈশিংনা ইচা পিবা নিংঙোল পূম্নমক্না খোঙফমগী ফিরেপ চেংনা লেপ্নবা হোৎনরসি। মৈতৈগী লাইপুং লাইথৌ তৌবদা মৈতৈ ফুরুপনা অহিংবা লননি হায়বসি শাফোঙবা য়াবা মতম ওইরে। লাইশক্কী কোলোয় মীংলেনবু ইপা ইপুনা চৎলম্বদা ঙসিগী মীরোলনা খোঙ্গুল লীদুনা লায়েক ইথোকপগী মতমনি, থিজিনবগী মতম ওইরবনি। করিগী শৈথানরিবা অমসুং চিনবুং ৰারীদা পাওশান্নরিবনো হংলদুনা লাইফমগী মশক মাঙলক্লিবশিং থিজিনবগী মতমনি হায়না পন্থৌনা মখা তাখি।

## পার্টি ওফিস মৈ থাগে ...

*লামায় ১গী মখা...*অদুগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ফাওবা য়াওনা অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা থিজিন হুমজিনবগী থবক তৌরখিদে হায়নসু মরাল শীখি।

ঙসিগী প্রোটেষ্ট অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা ৰি কন্দেম পেট্রোল বোম এটেক এট কোংগ্রেস ভবন, দেমোক্রেসি ইজ অন্দর থ্রেট, ৰি কন্দেম ফেক এসোল্ট অমসুং ৰি ষ্ট্রোংলি কন্দেম বার্বরিক এক্ট হায়বনচিংবা ইবা প্লে কার্দশিং পায়খি।

ঙরাংগী থৌদোক অসিগী মায়োক্তা কোংগ্রেস থৌমীশিংনা সিট ইন প্রোটেষ্ট চত্থবা লোইশিল্লকপা নুংথিলগী পুং ৪ রোম তারকপদনা কার অঙাংবা অমদা লাকখিবা মীওইশিংনা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গেট মমাঙদা খাল্লগা কোংগ্রেস ওফিসকী গেটতম্না য়েরুমশিং লংশিল্লমখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিবুসু পার্টি অসিগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরকপগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নবশিং পুলিসনা ফাদুনা মতুংদা তৌরক্তনবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়খি।

## কোংগ্রেসকা নুংঙাইনদবা লৈতে, থোকখ্রিবা...

*লামায় ১গী মখা...* থৌরমসু পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরদা মতম খরা ঙনখৎনা বি জে পিগী ৰাখল্লোন চেনবা লৈঙাক লৈরম্লবদি লমদম অসিনা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদগী হেন্না ফগৎপা থাক অমদা লৈরমগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদু সহিদ মোধুমঙ্গল ফাউন্দেসন, ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা পন্দিট দিন দয়াল উপধ্যায় অমসুং সামা প্রসাদ মুখর্জিনা ইন্টিগ্রেল হ্যুমেনিজমদা থাজবা থমদুনা লৈবাক অসিগী লৈত-লায়র, তোল্ল-তারবশিংবু য়োকখৎতুনা মরোমদোম লেপচবা লৈবাক অমা ওইনবগী মঙলম্বা মঙলান অদুগী ৰাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইদুনা হৌজিক লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক্ল । মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি হায়খি।

লৈখিদ্রবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট সহিদ মোধুমঙ্গলনা অপূনবা থোং মান্নবা লৈবাক অমা শাগৎনবগী মঙলান্দা চঙশিল্লম্বা অদুগী খুদুং ইন্দুনা মণিপুরবু তংদু লৈতাবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবসু হোৎনরমখিবনি। মহাক্না হোৎনরমখিবশিং ঙসিগী মীরোলনা কাউফম থোক্তে হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিমক্না মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম উবদা নুংঙাইতবা ফাওরম্বনি অদুবু হৌজিক্তি ষ্টেট অসিদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনহল্লকপগা লোয়ননা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমসু লেপ্তুনা ফগৎহল্লক্লি হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না লৈখিদ্রবা সহিদ মোধুমঙ্গলনা ইরম্বা ময়েক্তা ঈশৈ শক্তুনা থৌরম হৌদোকখি। লোয়ননা গভর্ণর লা গনেসন অমসুং চীফ মিনিষ্টর য়াওনা ফাউন্দেসন অসিগী থৌমীশিংনা পার্টিগী লুচিংবা পন্দিট দিন দয়াল উপধ্যায় অমসুং সহিদ মোধুমঙ্গলগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

## আর পি এফকী প্রসিদেন্ট লৈখিদবদা...

*লামায় ১গী মখা...*ওইনা ফংজখি। মচিল মনাও নুপা অহুম পোকমিন্নবগী মনুংদা ইকায়খুম্নজরিবা য়াওল্লোই লুচিংবা সার ইরেংবম চাওরেন এলিয়জ ভোরোতনা খ্বাইদগী অহলনি। ইকায়খুম্নজবা য়াওল্লোই লুচিংবা সার চাওরেন ইং কুমজা ১৯৯০দগী পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ ফাওবা রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্টকী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌদাং পুবিরকখিবা ঐখোয়গী নুংশিজরবা য়াওল্লোই লুচিংবনি। ইকায়খুম্নজরিবা য়াওল্লোই লুচিংবা সার চাওরেন ঙল্লিঙৈ মতমদগী মণিপুর অমদি ৰেসিয়া লমদমগী অপূনবা নীংতম লালহৌ অমা শাগৎপা মথৌ তাই হায়বসি চেৎনা থাজখিবা লুচিংবা অমনি। মরম অদুনা কুমজা ১৯৯৯দা শেমখিবা মণিপুর পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (এম পি এল এফ) কী সিগনেটোরি মেম্বর ওইখি। লোয়ননা মণিপুরগী ৰাখল্লোন মান্নবা য়াওল্লুপশিং পূনশিন্নবা খোঙথাং ওইনা কুমজা ২০১১দা শেমখিবা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (কোরকোম) গী অহানবা কনভিনর অমদি কুমজা ২০১৭তগী পুন্সিগী অরোইবা মতম ফাওবা কোরকোমগী কনভিনর ওইনা থৌদাং পুবিরম্মী হায়রি।

লুচিংবা অসি য়াওল্লোই অমা ওইনা অমদি লুচিংবা অমা ওইনা য়াম্না চন্বা অমদি অৰাংবা ফিদমগা লোয়ননা হিংবা, লমচৎতা অমকপা লৈতবা লুচিংবা অমনি। সার চাওরেন মোমোন মীনোক চেনবা, অশাওবা উত্তবা, অৰাংবা থাক্কী থকসি-খাসি লৈবা, য়াওল লান্মীশিংগা নুংশিনা লোয়নবা হৈবা অমদি অচেৎপা ফিরেপ লৈখিবা লুচিংবা অমনি। য়াওল্লোই লুচিংবা অসিনা লৈখিদবা অসি আর পি এফ অমদি মণিপুরগী য়াওল্লোই লুচিংবা অমা মাঙজবদা নত্তনা ৰেসিয়া লমদমগী নীংতম লালহৌগী অচৌবা মাঙজবা অমা ওইরগনি। ইকায়খুম্নজরিবা য়াওল্লোই লুচিংবা অসিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসিনা ইমুং মনুং অমদি পার্টিনা নংহৌরিবা কায়না মৈশা অমদি অৰাবা খিবিক্তা কোরকোমগী লুচিংবশিং, পার্টি মেম্বরশিং অমদি জে এম সীগী লান্মী লুচিংবশিং অমসুং লান্মী পূম্নমক্না থম্মোয় শোক্না শরুক য়াজরি। লুচিংবা অসিগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংনা মালেম লৈশাদা তিন্দুনা য়াওলগী অনৌবা পান্দোং শন্দোকপা ওইরসনু হায়রি।

## রেভল্যুস্নরি পিপলস...

*লামায় ১গী মখা...* লাকখিবা ঐখোয়গী নুংশিজরবা লুচিংবনি। লোয়ননা কোরকোমগী কনভিনর ওইনা থৌসু পুরিবনি হায়রি।

মহাক লৈখিদবা নুমিৎ থা অসিগী ১০দগী হৌরদুনা ২৪ ফাওবা ওনরেবল প্রসিদেন্টনা লৈখিদবগীদমক আর পি এফনা অৰাবা ফোঙদোক্কনি। হায়রিবা মতম অসি পার্টিগী লোয়শঙ অমসুং লানশঙশিংদা ফিরাল তঙ্খাই চিংথদুনা লৈখিদ্রবা ওনরেবল প্রসিদেন্টবু ইকায়খুম্নবা উৎকনি হায়রি।

## ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩০.৪৮°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৬.৭৭°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৫১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০৬

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 88.165649 |
| US Dollar | 82.511629 |
| British Pound | 99.522687 |
| Australian Dollar | 56.993850 |
| Chinese Yuan Renminbi | 12.124107 |
| Japanese Yen | 0.627851 |
| Malaysian Ringgit | 19.047687 |
| Singapore Dollar | 62.029627 |
| South Korean Won | 0.065112 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.003101 |
| Thai Baht | 2.448615 |

## GAS NEWS

KHORIPHABA NAMBOL
BK.UPTO DATED
Timing 6.30 am to10 am
Contact no:8787632782, 9366471778


## দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৰাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-P/5663/18/1-17/2

**থাগৎচরি / খোঙ হান্বা খূদিংগী সনারৈ শাৎপগুম্না অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অনী পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মনুংদা খূৎনা থিঞ্জিল্লগা থেংবা মতমদা উরিংমুক চাওবা অমা পোমথোক্লগা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা খূদিংগী সনারৈ শাৎপগুম্না অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা, খোঙ হান্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, অমাংথোঙ মনুংদসু খূৎনা থিঞ্জিল্লগা য়েংবা মতমদা উরিংমুক চাওবা অমসু পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, খোঙ হান্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অৰাবা অমা ওইবা, খোঙ হান্নগা ঈ তারক্কনি খনবদা হকচাংদা শুনিংবা-চৎনিংবা পোক্তবা, পোত্থারগতা লৈনিংবা, খোঙসু য়াম্না তোয়না-তোয়না হান্বা অমুক্তদা শেংনা হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা মতমদা কোঙ্গোল অমদি মনাং য়াম্না য়াওরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অনী পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু চিক্লি-নারি তৌরগা লৈবা, খূৎনা থেংবদসু য়াম্না নাবা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউরগা লৈবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙ মনুংদা চক-চক থিল্লকপা অমদি মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **H. Basanta Singh**
Checkon

HL-B/7994/12


# লোক অদালট : কেস...

*লামায় ১গী মখা...* মেট্টরশিং অসিগী মনুংদা বি এস এন এলগী বিল, মেত্রিমোনিএল, ক্রিমিনেল কম্পাউন্দেবল, সিভিল কেস, মোটোর এক্সিদেন্ট ক্লেম অমসুং এন আই এক্টকী কেসনচিংবসু য়াওখি।

অদুম ওইনমক অপূনবা কেস ৪৩০ লৌখৎপগী মনুংদা কোর্টশিংদা পন্দুনা লৈরিবা কেস ২১ য়াওনা কেস ৩৩৮ সেট্টল তৌখি। কেসশিং অসিবু নাকল অনীমক্তা সেট্টল তৌরকখিবদা লোয়নখিবা অপূনবা শেনফমনা লুপা ৩,২৩,৪৬,০৩০ ওইখি।

লোয়ননা ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা নেসনল লোক অদালটকী ওইনা কেসশিং সেট্টল তৌখিবগী চাং চাদা ৭৮.৬০ ওইখি। অদুম ওইনমক মমাঙগী চহী ২০২২গী নবেম্বরদা পাঙথোকখিবা চহী অদুগী অরোইবা নেসনল লোক অদালটতদি শুপ্নতগী কেসশিং সেট্টল তৌখিবগী চাং অসি চাদা ৬৬.৮৫ খক্তমক ওইখিবনি। ঙসিগী লোক অদালট পাঙথোকখিবশিংগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী ওইনা পূন্না মসলসানা দিষ্ট্রিক্ট অনীসিগী দি এল এস এশিংগা খূৎশম্নদুনা লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। অদুগা অতোপ্পা মফমশিংদা পাঙথোক্লখিবশিংগী মনুংদা বিষ্ণুপুর, থৌবাল, উখ্রুল, সেনাপতি, চুড়াচান্দপুর, চান্দেল, তমেংলোং অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টনচিংবা য়াওখি।

হায় কোর্ট লিগেল সর্ভিসেস কম্মিটিনসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা নেসনল লোক অদালট পাঙথোকখি। লোক অদালট অসিদা কোর্ট অসিগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল গাইফুলসিল্লু গোলমৈনা চ্যেরপর্সন ওইবা বেঞ্চ অমা লৈখি। বেঞ্চ অসিদা মণিপুর জুদিসল একাদেমিগী জোইন্ট দিরেক্টর কে ব্রজকুমার অমসুং কোর্ট অসিগী রেজিষ্ট্রার (জুদিসল) য়ূমখাম রোথরনা মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ফেব্রুৱারী ১৪দগী লায়েংশঙ পূম্নমক...

*লামায় ১গী মখা...* লৌগদবা ওইরগদি হায়রিবা সিষ্টম অসিমক ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংদসু এপ্লাই তৌদুনা রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্ত্রিবা করিগীনো হংখি।

মণিপুরগী ওইনা হৌজিক লৈরিবা পোপ্যুলেসনগী মতুংইন্না ডাক্তরশিংগী মশীং য়াম্না ৰাৎলি হায়রদুনা হৌজিক ফাওবগী ফীভমদা মণিপুরগী ওইনা ডাক্তর লিশীং ৩ রোমগী অৰাৎপা লৈরিবনি। ৰাফম অসি লৈঙাক্না য়াম্না হকচিন্না লৌফম থোকই। ডাক্তরশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি গভর্ণমেন্টগা মায়োক্লবা নত্তে। ডাক্তরশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং তানবনি হায়খি।

থা অসিগী ৩দা পাঙথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা এসোসিএসন অসিনা তানবা দিমান্দগা মরী লৈননা হাওসতা থমখিবা ৰাফমশিং অদু এসোসিএসন অসিগী ডাক্তরশিংনা য়ানীংদে হায়খি। মরম অসিনা ডাক্তরশিংনা তান্দুনা লাক্লিবা দিমান্দশিং অসি অকক্লবা মতমগী মনুংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরক্ত্রবদি থা অসিগী ১৪দগী মণিপুরগী হেল্থ সেন্টরশিং মতম কক্তনা থিংজিল্লগনি হায়রি।

# মীতৈগী এস টি : ৰাংজিং...

*লামায় ১গী মখা...* ৰাংজিং কৈথেল ফম্বী নুপীশিংনা মতম পূম্নমক্তা শরুক য়াগনি। ফুরুপ অসিবু এস টি লিষ্টতা চলহনবা হায়বসি হৌজিক্কী ওইনা তৌদবা য়াদ্রবা ঐখোয় পূম্নমক্কী ইথৌদাংনি খল্লগা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা মীয়াম পূম্নমক্লসু শরুক য়াবীয়ু হায়খি।

মরম অসিনা অথুবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্না ফুরুপ অসিবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক থাফম থোকপা রেকমেন্দেসনশিং থাবীগদবনি হায়খি। ঙসিগী খোঙজংদা শরুক য়াখিবশিংনা দিমান্দ অসিবু শৌগৎতুনা ইবা ৰারোলশিং য়াওবা প্লে কার্দশিং পায়খিবগা লোয়ননা ৰাংজিং কৈথেলগী লম্বীদা পেন্দবা খোঙচৎ অমসু চৎখিবগা লোয়ননা দিমান্দশিংবু খোল্লাউ ওইনসু লাউখি।

## ভি ভি আই পিগী ষ্টেজ ...

*লামায় ১গী মখা...*পনবা য়াবদি ঙসিগী থৌরম অসি গভর্ণর লা গনেসনসু শরুক য়াগনি হায়রম্বদগী লাকখিদবনি। অদুম ওইনমক থৌরম অসিদা মিনিষ্টরশিং ৰাই খেমচান্দ, কে ঐচ বসন্ত, এম এল এ, টি ঐচ শান্তি, হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন দিঙ্গাংলুং গাংমৈ অমসুং এল দি এগী চ্যেরমেন এম অশ্বিনিকুমারনচিংবনা শরুক য়াখিবনি। লোয়ননা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্ট) রামদাস অথৱালেসু শরুক য়াখিবনি।

## শিরগা লৈরম্লে...

*লামায় ১গী মখা...*লৈখিদ্রবগী মমিং হুইদ্রোম রোমিও (৩১) অপোকপা ঐচ দেবান কৌই, ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক্তগীনি হায়রি। মহাক ৰাবগাই লমখাই কৈথেলদা হোটেল ফমদুনা লৈবনি হায়রি। অদুমকপু মহাক্কী মনাক্তা সিরিঞ্জ অমসু তাদুনা লৈরমখিবনা মহাক দ্রগ ওভরদোজদা শিবা ওইগনি থাজনরি।

পুলিসকী মায়কৈদগী পাঙথোকফম থোকপা ফোর্মেলিটিশিং পাঙথোক্তুনা মহাকপু টোইলেটতগী লৌখৎলগা ইমুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## সুরেসকুমারগী ফোটো শেমদোক ...

*লামায় ১গী মখা...* রিপোর্ট অমা ঙসি পীশিনখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অদুদা এম সুরেসকুমার বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৰাঙাঙলোই অমা ওইবদা নত্তনা মহাকপু হাৎননবা হোৎনরম্বদগী অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা থৌওং অসিদা চেন্নবশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

# উমংলাইদৌনা 'শ্রীশ্রী শিব মহাদেব' হরাওরুবা লাইপু...

*লামায় ১গী মখা...* হরাওবগী থৌরম্বু করিগুম্বা মরন্নাই খুদোংচাবা খরগীদমক য়েংলগা লমদসিগী নাৎপু মাঙথোক্লবা হোৎনরিবশিং অসি লূপকী মায়কৈদগী ৰাখল তামিন্ননবা খঙহনখি। লোয়ননা অসিগুম্বা থৌওং অসি লমদমসিদা লৈবিরিবা ইরৈচাশিং অমদি মণিপুরগী ৰাংমদা খুন্দারিবা ইরৈচাশিংনা তৌবীগনু হায়রি।

লমদমসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী নাৎ, শক্তম য়োকখৎনবগীদক লূপনা লেপ্পা লৈতনা চঙশিন্দুনা লাক্লি। ইরৈচাশিংনসু শৌগৎপীবগা লোয়ননা ঈ পাউ পীবিরক্লি। লূপ অসিনা কনাগুম্বা লূপ অমত্তগী মায়োক্তা থবক তৌবা লৈতে। ঈনাৎ য়োকখৎনবগী পান্দমদা চঙশিঞ্জরক্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা য়েলহৌ ফুরুপশিংগীদমক মতম চূপ্পদা ইনাৎকীদমক লেপ্লি। মখা তানা মীতৈ ইনাৎকী উমংলাই হরাওবা লাইথৌ থৌরমগা মরী লৈনদবা থৌরম অমত্তদা মাইবা-মাইবী, পেনা অমদি অথিন অখোং, পুঙ, সেননচিংবা মরী লৈনবা লোয়শঙ অমত্তনা থাবীগনু অমসুং শরুক য়াবীগনু হায়রি।

থা অসিগী ১০দা শ্রীশ্রী শিব মহাদেব হরাওরুবা লাইপু খুন্দ্রাকপম মেমতোম্বী (৬৭), কামরঙ্গ খুনিংথেক (জিরিবাম) দা লৈবীগা মহাক্না তৌরুবা অশোয়বশিং মশানা য়াজদুনা অরানবা তৌহৈদবশিং চুমথোকচবগা লোয়ননা লূপ অসিদা ঙাকপীনবা হায়জরক্লে। মরিং মরাংবা, তৌহৈদবশিং চুমথোক্লবা মতুংদা ইনাৎ য়োকখৎ লূপনা ঙাকপীবগা লোয়ননা ৰাখল তামিন্নখ্রে হায়রি।

লোয়ননা উমংলাই হরাওবা লাইথৌ থৌরম কাঙলোন চুম্না পাঙথোকপীয়ু। খুনচাও লৈচাওনবা, খুলগী-লৈবাক্কী য়াইফনবা হায়রকপগা লোয়ননা শ্রীশ্রী শিব মহাদেব হরাওবদা শরুক য়ারিবা, লাইথৌ পাংলিবা মাইবা-মাইবী, পেনানচিংবশিংসু লূপ অসিগা অথুবদা ৰাখল তামিন্নগদবনি। লূপ অসিনা মীতৈ ইনাৎকীদমক, য়েলহৌ ফুরুপশিংগী নাৎ-শক্তম য়োকখৎনবা চঙশিনজরিবা থবক থৌরমশিংদা ইরৈচাশিংনা শৌগৎপীবগা লোয়ননা অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

অমরোমদা, মমাঙগী কুমজা ২০২২গী দিসেম্বর ২১গী অয়ূক্তা খৌপুম পি এসকী মনুং চনবা নোংসাই পার্ট থ্রী (তুবুং) খুলগী ৰেটিং সেদ মনাক্তা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক্তা মীওই ৯ লৈখিদবা মফম অদুদা নুমিদাংগী মতমদা তম্নরে হায়বা ৰাফম খুল অদুগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপদগী ঙরাং নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগী মীৎয়েং মখাদা সনা কোনুংগী মীওই ৪০ মুক্না গাড়ী ৮দা চৎতুনা য়েংশিল্লুরে হায়রি।

মাইবা হনবা, মাইচৌ পুরেল অমসুং সনা কোনুংগী ফম্নাইবশিং লাকপদা খুঞ্জাশিংনা হরাওনা ওকপীরকপগা লোয়ননা থৌদোক থোকখ্রিবা মফম অদুদা নুমিদাং তম্নরিবা অসি কোক্লবা অথুবদা লাইথৌ পাঙথোকপীনবসু হায়রকখি হায়রি।

থৌদোক থোকখ্রিবা মফম অদুদা নত্তনা অতোপ্পা খুদোংথীবা মফম অহুমসু থেংনরকখি হায়রদুনা নুমিদাং তম্নরিবা অসি কোক্লবা সনা কোনুংগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা লাইথৌ পাঙথোক্লগনি হায়না উত্রা শঙলেনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# আফঘানিষ্টান ১সুং ইরানগী ৱিমেন ...

*লামায় ১গী মখা...* মহাক্না ফংফম থোকপা হক্কীদমক লান্থেংনরকখি অমসুং টালিবানশিংনা কৈশুমশঙদা থমজিনবা য়াওনা মীওৎ মীনৈ চত্থবা অমসুং মথ্বায় মাঙহনখিবা কয়াগীদমক্তসু মহাক্না থৌনা ফনা লেপ্লকখিবনি। মহাকপু নোবেল পিছ প্রাইজগীদমক নোমিনেসন তৌরকপদা কাবুলদা বেজ তৌবা মশাগী অশেংবা মমিং মথা ফোঙদোক্লিংদবা সমিরা কৌবী এক্টিভিষ্ট অমনসু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা মনা অসিমক মহাক্কীদমক্তদি মতিক চারবনি হায়খি। অদুগা ষ্টেনফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী আফঘান-অমেরিকান হিষ্টরিয়ান ওইরিবা হালিমা কাজেমনসু মহাকপু মনা অসিগীদমক নোমিনেসন তৌরক্লিবা অসি আফঘানিষ্টানগী নুপী অমসুং নুপীমচাশিংনা হৌরকখিবশিং অদু টালিবানগী মায়োক্তা হৌবা লাননি মসিদা মহাক্না মতেং পাংখিবনি হায়নসু শীংথাখি।

অমরোমদা পিছ রিসর্স ইন্সটিট্যুট ওসলোনা থা অসিগী ১দা নোবেল পিছ প্রাইজগীদমক নোমিনেসন তৌরবা অতোপ্পা ৱিমেন হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট অদুগী মমিংনা নার্গেস মোহম্মদি কৌই। মহাক ইরানগী হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট অমা ওইবদা নত্তনা মশামকসু এদভোকেট অমসু ওইরিবীনি। হৌজিক হৌজিকমক ইরানিয়ন হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট অসি মহাক্না চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংনা মরম ওইরদুনা জেলদা থম্লক্লিবনি।

মখোয় অনীবু নোবেল পিছ প্রাইজগীদমক নোমিনেসন তৌখ্রবসু অরোইবা প্রাইজ অসিগী ৱিন্নরদি লাক্লিবা ওক্টোবর থাদা লাউথোক্কনি হায়রি।


## লৌ য়োঞ্জরি

এলাংখানপোকপীদা লৈবা Dag No. 2014/A গীনা 1.25 acre অমসুং Dag No. 2014 গীনা 1.30 acre অনীসিগী অপূনবা এরিয়ানা 2.55 acre হায়রিবা লৌফম অনীসি অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পান্বীবা মীওইশিংনা মখাগী মোবাইল নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

HL-P/5943/12 **Contact : 7005380954**

# URGENT JOB VACANCY

*Govt.Regd. No. : SSL/64/com Estd of 2016, MAnipur*

JOB VACANCY AT IMPHAL (FIRST COME FIRST CHANCE)

| Sl.No. | Name of the Post | Qualification | No. of Post | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Official Managerial Staff (no deposit) | X/XII/ Graduate | 18 | Rs. 5,000- 20,000/- |
| 2 | Helper (female) | Nil | 20 | Rs. 8,000- 10,000/- |
| 3 | VIP Driver / Officer Driver | VIII/X/XII | 15 | Rs. 8,000- 15,000/- |
| 4 | Security Guard (M / F) | VIII/X/XII | 25 | Rs. 8,000- 25,000/- |
| 5 | Driver (Truck / 407 / DI) | VIII/X/XII | 10 | Rs. 10,000/- |
| 6 | Gunman / Armguard | VIII/X/XII | 10 | Rs. 10,000 20,000/ |
| 7 | Officer Reception | XII/ Graduate | 7 | Rs. 5,000- 15,000/- |
| 8 | Ex- Service Men | VIII/X/XII | 10 | Rs. 8,000- 15,000/- EPF |
| 9 | Chawkidar | VIII/X/XII | 8 | Rs. 7,000- 15,000/-+ |
| 10 | Banking RO | X/XII/ Graduate | 10 | Rs. 5,000- Starting |
| 11 | VIP Driver | VIII/X/XII | 10 | Rs. 9,000- Starting |

AIRPORT JOB VACANCY AT DELHI, KOLKATA,& HYDERBAD TRAINING WITH 100% JOB PLACEMENT, FIRST COME FIRST CHANCE

| Sl.No. | Name of the Post | Qualification | No. of Post | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | G. Shopping Mall / Plaza Staff | XII/ Graduate | 20 | Rs. 35,000- 70,000/ |
| 2 | C.S.A | Graduate | 20 | Rs. 30,000- 60,000/- |
| 3 | VIP Lounge Staff | XII/ Graduate | 15 | Rs. 30,000- 70,000/- |
| 4 | Asst. STAFF | XII / Graduate | 20 | Rs. 30,000- 40,000/- |
| 5 | Security staff | X/XII/ Graduate | 20 | Rs. 35,000- 40,000/- |

For more Information Please Contact
Office Timing : 10 : 00 a.m. to 03 : 00p.m.
Last date of form submission : 28th Feb., 2023

Salai Unemployment Service Centre
Old Checkon, Near Porompat SBI,
Opposite RD CAR WASH
( #8794793684 / #7641836503 )

HL-P/5882/8,10,12,15,17,19,20,22,24,27

# ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL

HL-B/7972/11/1-9/2 (alt)

# EDUCITY TUTORIAL CUM HOSTEL

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIRAK MACHIN, IMPHAL-795004

## ADMISSION OPEN-2023

FOUNDATION COURSE FOR CLASS - I to X

SUBJECT:-
I to VIII (All Subject)
IX and X (Maths, Eng., Sc., S.Sc)

CLASS TIMING:-
4:00 PM to 7:00 PM (WINTER)
4:00 PM to 7:30 PM (SUMMER)

SPECIAL FEATURES FOR CLASS IX & X:-
* Q & A Analysis (Frequent Weekly Test)
* Possible Suggestion
* Free & printed study materials to each students
* Well Experience Faculties
* Limited Student Intake
* Special Classes for Weakers Students

* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS

FACILITIES FOR HOSTELER:-
1. Clean and Hygienic Food
2. CCTV Campus
3. Ample Space for Reading & Boarding
4. 24 Hrs Supervision with Teachers
5. Yoga and Aerobic Classes for Mental & Physical Health

Class Starting:-
20th February, 2023
& 15th March, 2023

For Classes I to VIII
* Learning Benefits
* Homework Help
* Improves Grades
* Intensive Learning

* Van Facilities
*To and fro - Hostel and School
*To and Fro - Home and School

"10% discount for the student who secure 1st to 5th Position in their school"

CONTACT: 9612194500/7005349894 OFFICE TIMING: 10:30 AM TO 7:30 PM

HL-P/4983/1,3,5,7,9,11,13,15,17,19